# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-02-2026)**

**মীফম (এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগী ভাষনগা লোয়ননা হৌদোক্লগনি। মীফম অসি নুংথিল পুং মরিদগী হৌগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা সমোন তৌদুনা মনিপুর বিধান সভাগী সেক্রেটরিনা মীফম কৌবগী চেরোল অমা থোকখ্রে। মনিপুর বিধান সভাদগী ফংবা পাউনা হায়-ঙসি নুংথিল পুং অহুমদা মনিপুর বিধান সভাগী বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী মীফম পাঙথোক্কনি। মদুগী মতুংদা, নুংথিল পুং মরিদগী রাজ্যপালগী ভাষনগা লোয়ননা ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম অসি হৌদোক্কনি।

শ্রী য়ুমাম খেমচান্দবু মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা, নেমচা কিপগেন অমদি লোসি দিখোবু উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং ওইনা অমসুং গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি খুরাইজম লোকেনবু মন্ত্রি ওইনা ঙরাং ৱাশক লৌখিবনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম হেক লোইবগা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অনৌবা মন্ত্রি-মন্দলগী অহানবা মাফমনা মনিপুর বিধান সভাগী মীফম কৌবীনবা রাজ্যপালদা হায়জনবা ৱারেপ লৌখি। মদুগী তুংদা, রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালাদা চেরোল অমা পীশিনখিবনি।

**মোদি (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা সরকার অসিনা মনিপুরগী মীয়ামবু চাডখৎপা অমদি হেন্না নুংঙাই য়াইফবগী লম্বীদা থৱায় য়াওনা থবক তৌরক্কনি হায়না থাজে।

ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-য়ুমাম খেমচান্দবু মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবদা নুংঙাইবা পোকই। নেমচা কিপগেন অমসুং লোসি

দিখোবু উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা অমসুং গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি খুরাইজম লোকেনবুনা মন্ত্রিশিং ওইনা ৱাশক লৌখিবা অদুবুসু নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

লোক সভা এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনসু য়ুমাম খেমচান্দনা মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। মহাকা শ্রী খেমচান্দদা হবা চিঠি অমদা হায়-মুখ্য মন্ত্রিগী ফম অসি পায়রকপগীদমক নুংঙাইবা ফোংদোকচরি। মহাক্কী লমজিং মখাদা মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহনবগা লোয়ননা সংবিধানগী চৎন-কাঙলোনশিং নীংথিনা চৎনহন্নবা হোৎননবা থবকশিং লৌখৎলক্কনি হায়না আশা তৌই। মনিপুরদা লৈরিবা শিংনবশিং মায়োকদুনা চাউখৎপগী মায়কৈরোমদা চংশিনবা ঙমবা রাজ্য সরকারনা লৌখৎলকপা থবক খুদিংমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগীসু শৌগৎকনি হায়না এম.পিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**আরএসএস (এল)ঃ** মীকুপ খুদিংমক ঐখোয়না ইরৈবাক্কীদমক হিংগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা নহা ওইরিবশিংনা জাতিগীদমক কৎথোকবা রাস্ত্রিয়া স্বয়ম সেভক সঙ্ঘ (আর.এস.এস) সহ-সরকারিয়াৱাহা-অরুনকুমারনা হায়রি।

ইম্ফালগী ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী কলেজ ওফ এগ্রীকলচরগী ওদিটোরিয়মদা, ঙরাং দা সঙ্ঘ ৱে হন্দ্রেদ ইয়ারস ওফ সার্ভিস হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা নহারোলশিংগা ৱারী শান্নবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী অরুনকুমারনা হায়-ভারতকী সভত্যা অসি মরূ-মরা তারবা মালেমগী লীরবা সভত্যাশিংগী মরক্তা অমনি। মসিগী লেপ্পা লৈতনা লাক্লিবা কালা সংস্কৃত্তিগী ঈচেল অসিনা ঐখোয়গী সভত্যাগী মগুন অমুক্কা হেনগৎহল্লি। অচৌবা মীওইশিংনা অচৌবা লৈবাকশিং শেম্মী হায়না শিংথারদুনা শ্রী অরুনকুমারনা হায়-লৈবাক অমগী তুংগী লাইবক লেপ্পা হায়বসি রাজনিতিগী নীংতম্বা খক্তনা ওইথোকপা ঙমদে। নাগরিকশিংগী মরক্তা থকশি-খাশি অমসুং খুন্নাইগীদমক দায়ত্ব লৌবগী ৱাখল্লোন মপুং ফানা

লৈরবা মতমদা লৈবাক অমগী তুংগী লাইবক লেপ্পা ঙমগদৌরিবনি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লৈঙাং চীং চীংশাং পরেং মপিথেল হিলস রেঞ্জ এরিয়াদা লম একর ১৮০ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বাশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। মফম অদুদা শারম্বা খাঙপোক ২০ লোমসু অমাং অতা থোকহনখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেনাপতি জিলাগী মাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মার্টিয়স পাক এরিয়াদগী ত্রক দ্রাইভর অমা ফারে। মীওই অসিদগী কিলোগ্রাম ৫ মখায়রোম হেনবগী কাণি, টাটা দম্পর অমা, শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫,২০০ অমসুং অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

**নবিঃ** কংগ্রেসনা হিন্দুগী লাইশঙ অমদি চৎনবীদা শিংনবগী ফল লাক্কনি হায়না বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-নিতি নবিননা চেকশিন ৱা ফোংদোকখ্রে।

তেলঙ্গানাগী মুখ্য মন্ত্রি-দেভান্ট রেদ্দিনা লুচিংবা কংগ্রেস সরকারনা রাজ্য অদুগী হিন্দুগী লাইশঙশিং অমদি চৎন-লোনচৎশিংদা অনেম্বা থাক্কী রাজনিতি তৌরি হায়না শ্রী নবিননা ফোংদোক্লি। তেলঙ্গানাগী মহাবুব নাগরদা ঙরাং পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী নবিননা হায়-বি.জে.পিনা সনাতন ধর্ম্ম অমসুং হিন্দুগী ৱাখল্লোনশিং ঙাক শেন্দুনা থমবা হোৎনরি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি সরকারনা নুপী অঙাং, লৌমী-শিন্মী অমদি খুন্নাইদা শোত্থরবা কাংবুশিংগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমসুং

কংগ্রেসকী সরকারনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবগী মতাংদা বি.জে.পিগী করিয়াকরতাশিংনা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহন্নবা থবকশিং পায়খৎনবসু মহাকা ফোংদোকখি।

**জেকেঃ** জম্মু কাশ্মিরগী উধমপুর জিলাদা জৈসে মহামদকী অমা য়াওনা পাকিস্তানগী টেরোরিষ্ট অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা হাৎখ্রে।

ঐখোয়গী জম্মু পাউমীনা হায়-উধমপুর জিলাদা লৈবা শুরুং অমগী নাকলদা বোম পোকখায়বগী মখোল কয়ামরুম তাখি। শিরবা টেরোরিষ্ট অনি অদুগী মনুংদা য়াওরিবা জৈসে মহামদকী মীওই অদু হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা মফম অদুদা লৈদুনা য়ৈখায় থিনগাইবগী থবকশিং থোকহনবদা চেন্নবা মীশকনি। মখা তানা মফম অদুদা পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা অনৌবা লৈঙাক শেমদুনা য়ুমাম খেমচান্দ চীফ মিনিস্তর ওইনা ৱাশক লৌখিবা, ষ্টেট অসিদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লকপদা প্রাইম মিনিস্তর-নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর অমসুং গানফিয়ু মেলদা ফোংলি।

য়ুমাম খেমচান্দবু চীফ মিনিস্তর ওইনা ৱাশক লৌখিবা পাউ অসি হুইয়েন

লানপাউদা-মীচমশিংনা রেদ অমদি বফর জোন লানশিনদুনা চৎপদা থিংলবসু চুরাচান্দপুর অমসুং তিপাইমুখকী এম.এল.এ. অনিগী ৱাশকপগী থৌরমদা শরুক য়াররে। য়ুমাম খেমচান্দ চীফ মিনিস্তর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে, ঙসি নুংথিল পুং মরিদা এসেমব্লি মীফম পাঙথোক্কনি, দিপ্যুতি সি.এম. অনিগী মনুংদা নেমচা কিপগেনদি ভরচুয়েল মোটতা ৱাশকখি। গোবিন্দাস অমুক হন্না মিনিস্তর ওইরে, লোকেনসু মিনিস্তর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

খেমচান্দ লৈঙাক্কী পাঙ্গল চাংয়েং ঙসি পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা ফোংলি। কে.জেট.সিনা খোঙজং চংশিনখ্রে, কুকি-জো এম.এল.এশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা ফোংলি।

সরকার শেন্বনা শাথিবা ফিভম লাকপা য়াই হায়বা কুকি ইনপিগী ৱাফম অমসু পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। মনিপুরগী এদুকেসন অমসুং হেলথকী প্রোজেক্ট তরাগী লুপা কোতি ৪৪৮ হেন্না কায়থোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউ অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ষ্টেট অসিদা মফম কয়াদা ঙরাং ৱার্ল্ড কেন্সর ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বাবিনা গ্রুপস ওপ কম্পানিগী মেনেজিং দাইরেক্তর কম চেয়ারমেন-থাংজম ডল্লিনা কেন্সর লায়না লায়েংবা ঙম্মী, মতম থিন্থরবদি কিনিংঙাইনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নাগাগী লমদা কুকি চংবা থিংবগী খোঙজং চংশিল্লি। শাগী মমিং থোনজিল্লগা লম্বী শেম্বা য়ারোই-চৱাং হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ চে অসিমক্তদা নেমচা কিপগেন, এম.এল.এ. খৌতে অমদি ঙুরশাংলুর সনাতেনা লৈঙাক শেম্বদা য়াওখিবদা কুকি লুপশিংনা পেন্দবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর য়াওনা ষ্টেট তরুক্কী কেন্দিদেটশিংগীদি সিভিল সার্ভিসেস ইগজামিনেসনগী পেপর (এ) ইন্দিয়া লেঙ্গোইজ কম্পলসরি ওইদে হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

কুকি মশেল মচোই মচোই তানবা শিনবা লেপকদবনি-কে.ঐচ.আর.সি., অফ-ফত্তগী তেকচাক মশানা পুজগদবনি-কে.জেট.সি. হায়বা পাউ সনা লৈবাক্তা ফোংলি।

দিজিটেল সেন্সস এক্তিভিতি তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি হায়বা পাউ, মনিপুর মেলগী অহানবা লামাহ্দা ফোংলি।